# ষ্টেটহূদকী মতাংদা সেন্টরদগী রেস্পোন্স লাক্ত্রবদি এম এল এ ২০ মফম থাদোক্লবা ঈ এন পি ওনা তকশিনখ্রে

দিমাপুর, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি):
ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (ঈ এন পি ও) গী ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মীফম অমনা ইষ্টর্ন নাগালেন্দদা লৈরিবা মীয়ামদা সেপেরেট ষ্টেটহূদ পীনবা দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুগী মতাংদা সেন্টরগী মায়কৈদগী পোজিটিব ওইবা রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্ত্রবদি ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী এম এল এ ২০ ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিদগী পোখানবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।




তুয়েন্সাংদা লৈবা চাং খুলৈ সেতসান্দ হোলদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফম অদুনা চহী অসিগী ওগষ্ট ২৬ তা লৌখিবা মখোয়গী দিমান্দ ফংদ্রবদি সেন্টর অমদি ষ্টেটনা পাঙথোকপা ইলেক্টোরেল প্রোসেসতা শরুক য়াদনবা ফিরেপ অদু অমুক্কা হেন্না চেৎশিহন্নবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়নননা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ শরুক য়ারোই হায়রি।

হৌখিবা চয়োল খরসিদা ঈ এন পি ওগী খোঙজং হান্নদগী হেন্না কনশিল্লকখিবগা লোয়নননা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ পীনবা প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখিবগা লোয়নননা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী ওইনা লৈরিবা এম এল এ ২০ দা হিরম অসিগা মরী লৈননা থবক তৌনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্ননবা ঈ এন পি ওগী মীহুৎশিং কৌরকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ঈ এন পি ওনা তাল্লিবা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী মতাংদা ৱারী শানবা থা অসিগী ১৮ দা ওর্গনাইজেসন অসিগী মীহুৎশিং কৌখিবা অদুবু নাগালেন্দ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কে থেরিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী মতাংদা ৱারী শানবা ঈ এন পি ওগী মীহুৎশিং সমন তৌরকখিবা অদু নাগালেন্দবু নুংশিজবা মীওইশিংগী মায়োক্তা থবক তৌবনি হায়না লৌগনি অমদি নাগান্দে থুগায়নবা হোৎনবদা সেন্টরনা মতেং পাংশিনবগী থবক তৌরোইদবনি হায়রি।



আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়না মণিপুর ষ্টেট আর্ট গেলেরিদা ৪১ শুবা ষ্টেট এগজিবিসন ওফ আর্টকী থৌরম রিবন কক্তুনা হৌদোকখিবা

# এ এ সীগী প্রোটেষ্ট কোভর তৌখিবা জর্নেলিষ্ট দেল্লি পুলিসনা সমন তৌখ্রে



ইটানগর, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি):
অরুনাচল এগেনষ্ট করপসন (এ এ সী) না ওর্গনাইজ তৌদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা চথদুনা লাক্লিবা খোঙজংশিং হৌবদগী কোভর তৌরকখিবা জর্নেলিষ্ট অকাস সুক্লা দেল্লি পুলিসনা সমন তৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জর্নেলিষ্ট সুক্লানা ফোঙদোকখিবদা মহাকপু আলো পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা খঙহল্লকখিবা অদু শোয়দনা চৎকনি। মহাক্লা অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতবনা পুলিস ষ্টেসনদা চৎপদা অকিবা পোক্তে অমদি নম্ফুদা মহাক্কী মথক্তা অরানবা চার্জ তৌনবা হোৎনরক্লবসু মদুগী মায়োক্তা চপ চানা লেপকনি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম আলো পুলিস ষ্টেসনগী এস পিনা থোরকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মহাক ঙসি পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা খঙহল্লকখিবনি। দেল্লিগী জন্টর মন্টর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অরুনাচল প্রদেশকী নহা কয়ানা গভর্নমেন্টনা চথরিবা অরানবা থবক থৌওং অমদি শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মদুগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায় অরুনাচল প্রদেশকী মীয়াম্না অচুম্বা ৱায়েল ফংদ্রিবা ফাওবা মহাক্কী পাউ শনে দাকপগী থবক লেপ্পা তৌরোই। মহাক্কী টি ভি চেন্নেল অসি থিংজিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মরম চাদে। অরুনাচল প্রদেশকী মীয়াম্না লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক কন্নবা হোৎনবদা লৌরকখিবা অমদি হৌজিক লৌরিবা থৌদাং অসি নীংশিংদুনা সেন্টরনা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# টুরিজমদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লগা থবক পায়খৎনবা মরী লৈনবশিং উনদুনা খন্নখ্রে

আইজোল, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি):
মিজোরাম মহৌশাগী ফজবা কয়ানা থন্না লৈবা ষ্টেট অমনি। চীংগী ফজরবা মফম কয়া অসিবু মালেমগী লমকোয়বশিংদা উখোক্তুনা লমদম অসিদা লমকোয়বশিং মরাং কয়ানা লাকহনবদা মতেং পাংলবদি ষ্টেট অসিগী ইকনমিগী ফিভমদসু চাওনা মতেং পাংগনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা টুরিজম সেক্টর বুষ্ট তৌহন্নবা মরী লৈনবশিংগা উনদুনা খন্নখ্রে হায়না মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙানা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা টুরিজম প্রোমোট তৌনবা গভর্নমেন্টনা হান্নদগী হৌনা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু হোৎনখিগনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা ইকো টুরিজমগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মতেং য়াম্না মথৌ তাই। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা গভর্নমেন্টনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলবসু মায় পাকপা ঙম্লোই। ষ্টেট অসিদা লমকোয়বশিংগী পুক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনবদা মফম খুদিংমক য়াম্না লু নান্না থম্বা মথৌ তাই।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা চহী অনীরোম টুরিজমগী মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক লেপ্লুরবা মতুং হন্দক চহীদগী হৌরগা টুরিজম দিপার্টমেন্টনা ফেষ্টিবেল কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না মিজোরাম টুরিজম মিনিষ্টর রোবর্ট রোমাৱিয়া রোইটৈনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা টুরিজমগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপা হৌরে হায়রি।

# ত্রিপুরা সী পি আই-এমগী য়ুথ লিদর মীওই খরনা ফুবদগী শিরে

অগরটালা, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি):
ত্রিপুরাদা য়াম্না তোয়না থোকপা পোলিটিকেল ভাইওলেন্সকী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ত্রিপুরা সী পি আই-এমগী য়ুথ লিদর অমা মীওই খরনা তমথিনা ফুরম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অয়ুক ত্রিপুরা য়ুথকী থৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়নননা মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা অপিল তৌরকখিবগা লোয়নননা পুলিসনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তগী এক্সন লৌখৎনবসু তকশিনখ্রে। অমরোমদা ত্রিপুরা সী পি আই-এমনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু বি জে পিগী খুনেক্কী ওইবা গেং খুৎপু অমনা চথখিবনি। বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা খুদিংমক্কী মায়োক্তা অকি অখঙ থোকহনবা য়াবা থৌদোকশিং লেপ্তুনা চথৈ হায়না মরাল শিরক্লি।

# শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পায়রম্বা নহা ১০০ রোম সমন তৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি):
অসাম পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর অমদি কন্সটেবল লৌনবা পাঙথোকখিবা এগজামদা শাশিন্নবা সর্টিফিকেট শিজিন্নরম্বা কেন্দিদেট ১০০ রোম অসামগী ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি) না সমন তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না চহী অসি ফেব্রুৱারী ২০, ২৭ অমসুং এপ্রিলগী ২৪ দা পুলিসকী রিক্রুইটমেন্ট অসি পাঙথোকখিবনি। পাঙথোকখিবা রিক্রুইটমেন্ট অদুদা শরুক য়ানবগীদমক নহা কয়ানা থাজিল্লকখিবা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অদু চ্যেক তৌরুবা মতমদা ৪১৪ দি শাশিন্নবা সর্টিফিকেট ওইরমখিবনি। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা পুন্না মীওই ২১ দি পুলিসনা অথুবা মতমদা ফারবা য়ানা লৈরে হায়রি। লোয়নননা রিক্রুইটমেন্টতা মায় পাক্তুনা ট্রেনিং তৌরিবশিংগী মনুংদসু শাশিন্নবা সর্টিফিকেট শিজিন্নবা য়াওরম্বদগী ট্রেনিং তৌবা লেপহনখ্রে। অদুবু মখোয়গী মথক্তা করি এক্সন লৌগদগে হায়বদি চপ চানা খঙদ্রি হায়রি।

# মী অমসুং লম্লক্কী শামুশিংগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লিক্টকী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা খঙহনখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি):
অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মী অমদি লম্লক্কী শামুশিংগী মরক্তা থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন ফোরেষ্ট মিনিষ্টরদা অসামগী কোংগ্রেস এম পি প্রদ্যুট বোরদোলোইনা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখিবগা লোয়নননা মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং মতম চানা পায়খৎপীনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এম পি বোরদোলোইনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মী অমদি লম্লক্কী শামুশিংগী মরক্তা থোকপা পামদবা থৌদোকশিংগী চাং হেনগৎলক্লি। মসিগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা অমদি পুক্লিং চিংশিনবা ওইনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখিবনি। মী অমদি শামুগী মরক্তা থোকপা পামদবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখ্রে অমদি মীনা চথুবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনসু শামু কয়া হাৎখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শামু ১১ শিখি।



অমরোমদা অশানবা মীৎয়েং য়াওদবা থবক থৌরম কয়ানা মরম ওইরগা উমংগী পাক চাওবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা শামুশিংগী লৈফম মরাং কায়রক্তবা অমদি চানবা মচিঞ্জাক ফংলক্তবদগী মী তাবা মফমশিংদা মচিঞ্জাক থিবা চংলকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মতম চানা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি মতম খরগী মতুংদা অসামদা শামু মশিং কা হেন্না হন্থরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। মসি থোক্তনবা ঐখোয়না হোৎনগদবনি। মী অমসুং লম্লক্কী শামু অনীমক্কী পুন্সি মমল য়াম্মী। মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া অসিবু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাংনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

## CROSSWORD-3674



### ACROSS
1 The two of them (4)
3 Exceptional (8)
9 Upper limit (7)
10 Educate (5)
11 Arouse (5)
12 Former Portuguese currency(6)
14 Divulge (6)
16 Vulgar, unrefined (6)
19 Cowardly (6)
21 Board (5)
24 Around (5)
25 Complain (7)
26 Able to read and write (8)
27 Supreme god of ancient Greece (4)

### DOWN
1 Retarded (8)
2 Ponder (5)
4 Lump of gold ore (6)
5 Relating to sight (5)
6 Wander, wind (7)
7 Three squared (4)
8 Austrian capital (6)
13 Young hares (8)
15 US state (7)
17 Quantity produced (6)
18 Chess piece (6)
20 Elector (5)
22 Holy Writ (5)
23 Lofty (4)

Solution 3673



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4074

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 8 | | | | | |
| 2 | | 4 | | | 3 | | | |
| | 7 | | | 1 | | | 5 | 6 |
| | | 3 | 5 | | | | 9 | |
| 4 | | | 1 | | 7 | | | 3 |
| | 8 | | | | 2 | 7 | | |
| 5 | 2 | | | 3 | | | 6 | |
| | | | 2 | | | 1 | | 9 |
| | | | | | 6 | | | 5 |

### Solution-4073

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 6 | 9 | 3 | 8 | 2 | 5 | 4 | 1 |
| 3 | 4 | 2 | 5 | 1 | 6 | 9 | 8 | 7 |
| 5 | 1 | 8 | 4 | 7 | 9 | 2 | 3 | 6 |
| 9 | 5 | 4 | 8 | 6 | 3 | 7 | 1 | 2 |
| 6 | 7 | 1 | 2 | 5 | 4 | 8 | 9 | 3 |
| 2 | 8 | 3 | 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 |
| 8 | 2 | 7 | 9 | 4 | 1 | 3 | 6 | 5 |
| 4 | 3 | 5 | 6 | 2 | 8 | 1 | 7 | 9 |
| 1 | 9 | 6 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 8 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NAGALAND UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR 69 PROFESSOR, ASSISTANT PROFESSOR

Nagaland University Professor, Assistant Professor, More Vacancies Recruitment 2022: Advertisement for the post of Professor, Assistant Professor, More Vacancies in Nagaland University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 November 2022. Candidates can check the latest Nagaland University Recruitment 2022 Professor, Assistant Professor, More Vacancies Vacancy 2022 details and apply online at the nagalanduniversity.ac.in/ recruitment 2022 page.
Nagaland University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nagalanduniversity.ac.in/. Nagaland University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nagalanduniversity.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Nagaland University
invites applications for recruitment of Professor, Assistant Professor, More Vacancies
Professor, Assistant Professor, More Vacancies
Job Location:
HQ: Lumami Dist: , Zunheboto, 798627 Nagaland
Last Date: 11 November 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 69 Posts
Nagaland University
Nagaland University Recruitment 2022 Details
Company Nagaland University
Job Role Professor, Assistant Professor, More Vacancies
Education Requirement
Total Vacancy 69 Posts
Job Locations Zunheboto
Experience 3 - 14 years
Salary Not Disclosed
Posted on 28 Sep, 2022
Last Date To Apply 11-11-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Professor, Assistant Professor, More Vacancies in Nagaland University.How to Apply:
Interested and eligible candidates can apply for the above vacancies before 11/11/2022, through the official website nagalanduniversity.ac.in, candidates can follow the steps below to apply online/offline.
Step 1: Click Nagaland University official website, nagalanduniversity.ac.in
Step 2: Search for Nagaland University official notification
Step 3: Read the details and check the mode of application
Step 4: As per the instruction apply for the Nagaland University Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 29 September 2022
Last date for application is: 11 November 2022
For more details, please refer to official notification.

### NIT NAGALAND RECRUITMENT 2022 FOR TECHNICAL ASSISTANT, TECHNICIAN

National Institute of Technology Nagaland Technical Assistant, Technician Recruitment 2022: Advertisement for the post of Technical Assistant, Technician in National Institute of Technology Nagaland. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 12 November 2022. Candidates can check the latest National Institute of Technology Nagaland Recruitment 2022 Technical Assistant, Technician Vacancy 2022 details and apply online at the www.nits.ac.in recruitment 2022 page.
National Institute of Technology Nagaland Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nits.ac.in. National Institute of Technology Nagaland selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at India. More details of www.nits.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland)
invites applications for recruitment of Technical Assistant, Technician
Technical Assistant, Technician
Job Location:
-, Dimapur, - Nagaland
Company National Institute of Technology Nagaland
Job Role Technical Assistant, Technician
Education Requirement B.Tech, B.E
Total Vacancy 2 Posts
Job Locations Dimapur
Experience 5 - 15 years
Salary 21700 - 35400(Per Month)
Posted on 08 Oct, 2022
Last Date To Apply 12-11-2022
Educational Qualification: B.Tech/B.E
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 21700 - 35400(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Technical Assistant, Technician in NIT Nagaland.
How to Apply:
The application process for NIT Nagaland Recruitment 2022 is explained below,
Step 1: Visit the NIT Nagaland official website nitnagaland.ac.in
Step 2: On the website, look for a for NIT Nagaland Recruitment 2022 notifications
Step 3: Before proceeding, read the notification completely
Step 4: Check the mode of application and then proceed further
Important Dates:
Published on: 10 October 2022
Last date for application is: 12 November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

